ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুন ১৭, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৮২শুবা মশীং

মালেমদা শাবগী চাং হেনগৎলকপা

ইন্টরগভর্ণমেন্টেল পেনেল ওফ ক্লাইমেট চেঞ্জকী রিপোর্ট

হান্না থাজরম্বা চাংদগী হেন্না মালেমদা শাবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙলকখিবা য়ু এনগী ইন্টরগভর্ণমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ (আই পি সী সী) গী রিপোর্টনা হায়, খুদক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎহৌদবা তারবদি মালেমদা গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেংনা হীরম কয়াদা পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লগনি। ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা ঈচাউ অমসুং হীট-ৱেভ থোক্তুনা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) হন্থরক্লগনি। মালেমদা ইন্দষ্ট্রি লৈত্রিঙৈগী মতমগা চাংদম্নবদা হৌজিক শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১ হেন্না শাবা হেনগৎলক্লে। কুমজা ২০৩০দগী ২০৫২ ফাওবদা মালেমগী টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ১.৫ হেনগৎলকপা য়াই। য়ুনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱর্ক কনভেনসন ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ (য়ু এন এফ সী সী সী) গী মীৎয়েং খাদা ইন্টরগভর্ণমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেট চেঞ্জনা চত্থখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং ওইনা মালেমদা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপগা লোয়ননা নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাক্লে, সমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎলক্লে অমসুং অঙৈংবা মফমদা লৈবা উন শৌদোরক্তুনা কংফালগী শরুক খরা ঈরোলনুংদা লুপহনখিগদৌরে। রিপোর্ট অদু শেম-শাবদা য়াওখিবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ট্রোপিকেল মেটিওরোলোজিগী সাইন্টিষ্ট ডা. রোক্সি মেথিয়ু কোলনা হায়খি, গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং খ্বাইদগী চাউনা ফংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং চাইনানচিংবা সাওথ এসিয়াগী লৈবাক খরা য়াওরি। গ্লোবেল ৱার্মিংনা পীরকপা য়াবা চৈথেংশিংগী মনুংদা ঈকং থোকপা, হীট ৱেভ, মহয়-মরোং পুথোকপগী চাং হন্থরকপা অমসুং থৱায় পানবশিংনা খুন্দাবা য়াবা মফম লৈশিল্লক্তবা য়াওরি।

মালেমদা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবসি করিগুম্বা সেলসিয়স দিগ্রী ২ য়ৌরকপা তারবদি সমুদ্রগী ইমাই ৱাংখৎলক্তুনা ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন ৫০ রোম অৱাবা তারগনি। হীট ৱেভ তোয়না থোকপগা লোয়ননা অরাবিয়ন সী রোমদগী শাফু কল্লবা সাইক্লোন তোয়না য়ৌরক্তুনা মফম কয়াদা পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লকপা য়াই। অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউগী থবক থৌরমদসু অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লগনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দদা এটমোসফ্যেরিক এন্দ ওসিনিক সাইন্স অমসুং অর্থ সিষ্টম সাইন্সকী প্রোফেসর ওইবা ডা. রঘু মুর্টুগুদেনা হায়খি, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাক্লে। নোংজুথাদা মতম চানা নোং চুরক্তগা মতম চাদনা অকনবা নোং চুরকপদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকপা য়াই। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ অর্থ সাইন্সকী মখাদা লৈবা সেন্টর ফোর ক্লাইমেট চেঞ্জ রিছার্সকী রিপোর্ট অমনা হায়, ইন্দিয়াদা শাবগী চাং চাংচৎতা সেলসিয়স দিগ্রী ৪.৪ হেনগৎলকপা য়াই। গ্রীন হাওস গ্যাস থাদোকপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯০১দগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ০.৭ লোম চাংচৎতা হেনগৎলক্লে। চাং অসিদা অসুমক হেনগৎলকপা তারবদি ২১শুবা চহীচা লোইশিল্লকপদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪.৪ রোম হেনগৎলক্লগনি। কালেনথাগী মতমনি হায়না লৌনবা এপ্রিলদগী জুন ফাওবদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হীট ৱেভ থোকপগী চাং শরুক মরিরোম হেনগৎলকপা য়াই। কুমজা ১৯৫১দগী ২০১৫ ফাওবদা ট্রোপিকেল ইন্দিয়ন ওসিনগী সী সর্ফেস টেম্পরেচর (এস এস টি) চাংচৎতা সেলসিয়স দিগ্রী অমগী চাংদা হেনগৎলক্লে। সমুদ্রগী ইমাইসু চহী খুদিংগী মিলিমিটর ৩-৩গী চাংদা ৱাংখৎলক্লে। চহীচা অসি লোইশিল্লকপদা সমুদ্রগী ঈমায় মিলিমিটর ৩০০ রোম ৱাংখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। মহৌশাগী খল কায়রকপনা কালেনথাদা কা হেন্না শারগা নিংথমথাদা কা হেন্না ঈংবগী মওং অমসু উবা ফংলি। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি খুদোংথীনীংঙাই ওইবা মওংদা হীট ৱেভ, কোল্ড ৱেভ অমসুং ঈচাউ থোকহন্দুনা মীওই কয়া শিহনবা য়াই হায়বা ‘অর্থ সিষ্টমস এন্দ ইনভাইরনমেন্ট’ জর্নেলগী রিপোর্ট অসিনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা কার্বোন-দাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎমিন্নবা মতম ওইরে।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

কোভিদ-১৯বু ঙাকথোক্কদ্রা, ইচাবু শেন্নগদ্রা!

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

কোভিদ-১৯গী অকিবা মরকসিদা মমা-মপা ওইরিবশিংদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লববু হোৎনগদ্রা, মচাবু শেন্নগদ্রা অৱাবগী মশক ওইরবনি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোন্দা শোকহনবদা নত্তনা মমা-মপা ওইরিবশিংগী থম্মোয়দা লায়না অসিদগী হেন্না কিবা লায়না অমনা নারবগুমলে। মমা-মপা ওইরিবা খরদি কোক্তা খূৎ হাপ্পদু ওইরে। মচাগী মহয় চারগনি খঞ্জদুনা ৱানা শূ-নোমদুনা মচাবু মহে তমহল্লুবা তেল্লবা মতম অসিদা আশা কায়বগুম থোক্লে। ইজরিবা খরা অসি অইবনা উজরুবা, মচাবু ৱারকপদা লান্না চৎখিগদ্রা পাখৎচদুনা থম্মোয়দা ৱাজরিবা অমদি মচাবু ফহন্নীংবদগী ৱারক্লুবদগী তাবদা নুংঙাইতবা, মমা-মপাগী থম্মোয় কায়খিবা, অইবনসু য়াম্না নুংঙাইজখিদবা থৌদোক খরদনি।

ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী পরিক্ষা থানবগীদমক কন্না মপান থোক্তনা লাইরিক পাখিবা, ওজাশিং অমদি মমা-মপা ওইরিবশিংনা কূপ্না শেন্নদুনা মশাদা অফা-অপূন লৈখিবা ময়ামদু ফ্রী ওইজনবা মতম খরা হাংলিঙৈ খঙহৌদনা লায়না অসি ইরমদম অসিদা য়ৌশিল্লকখি। লায়না অসিবু লাকশিন্নবা অমদি মখা তানা শন্দোরক্তনবা লোকদাউন থমখি। বোর্দিং অমদি হোষ্টেলদা লৈরুবা অঙাংশিং মাগী-মাগী লৈফমদা হল্লক্তুনা পুল্লপ-পুল্লপ হনবগী তাঞ্জা ফংখি। মদুগী মরক্তা হান্নদগী ঙাওশিন্নদুনা লৈরবশিংদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা কয়াগা পুল্লকই। মখোয়গা তিন্নবদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মহাও য়েংবা ফাওবা য়াওরক্তুনা মমা-মপাশিংগী নাকোং য়ৌরক্তুনা, মীৎনা উরুদুনা অশাওবা ফাওহল্লকই। ইনখৎলকপা মতম ওইবনা কন্না ফূরগা ৱারকপসু য়াদা, কন্না ঙাঙলুরসু ফত্ত-নুংদা থোকখিগদ্রা পাখৎপদগী কোভিদ-১৯গী লায়না অসিদগী হেন্না অকিবা অমা ফাওনরবনি। খঙনা-খঙনা, উনা-উনা মচাবু ৱারকপা ঙমদবা পাঙ্গল থোক্তবা হায়বদু ওইরবনি। হৌজিক্কী মতমদা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদি অদুক্কী মতিক চাওখৎলে, লাইরিক হৈবগী চাংসু অদুক্কী মতিক ৱাংলে অদুবু লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসিদি নোংমা নোংমগী হন্থরক্লি। করিবু থোক্লিগবা খনবদা মমা-মপা ওইরিবশিং মথা য়াম্না শানরে।

ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিংদা অমুক্কসু নীংশিংলি অমদি পাউতাক পীজরি- ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্না লৈশি, ৱাজরবা ইমা-বাবানা হায়বা ইনবা, ইমা-বাবানা য়াদবা থবক তৌগনু হায়বদা তৌদবা ঙম্বা, লাইশু খঙবা, নখা থাবশিংদনা অমদি অকোয়বদা লৈরিবশিংনা তমজনফম ওইনবা হোৎনসি। লৈঙাক্লা অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু শক্তি পায়বা-পায়দবা থিদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাকপু লল্লোল্লিবা পূম্নমক মরূ ফংনা মুথৎলসি। নৎত্রবদি কোভিদ-১৯ থিংনবা হোৎনরিঙৈ ইরমদমসে মাঙলদ্রা পাখৎলে। করম্বা নুমিৎতা লায়না অসিবু লাকশিনবা ঙমদুনা লোকদাউ/কর্ফিয়ুসিবু হাংলক্তুনা স্কুল, কোলেজ কাবা য়ারক্কদগে হায়না ঙাইবদা ৱানরে।

অদোমগী - মাইবম সোমেন সিংহ
লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়,
থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট

মতম খরগী মমাঙগী মেট্রিক অমদি হৌজিক

(লাইরিক হৈবশিংনা ওইহল্লক্লিবা মণিপুর)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

ঐখোয়না অঙাং ওইরকপা অদুৱাইদা কন্না হায়নখিবা অমা লৈ - *“মেট্রিক লাল্লদি য়ারেদা”* । মেট্রিকসি লান্নবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইনখি। কনাগুম্বা মমিৎ-মনা খরা শিংবা অমদি লাইরিক-লাইশু খরা পানীংবা, ময়ূম-মকৈ খূৎকন-পাঙ্গনবা, মচিঞ্জাক চাজবা মীশিংদদি লাইরিক পানবগী মতমসি খরা হেন্না মরাং কায়নসু ফংনৈ। মতমদুদি য়াম্না লায়রৈ। মী খুদিংমক, ইমুং অয়াম্বা, লায়রবগী চৈথেংনা ফুধবদা ফেরে-ফেরে হাইনবা মতমনি। অদুনা লাইরিক তম্লিবশিংনসু মমা-মপাগী, ইমুং-মনুংগী মতেং পাংনবা হোৎনৈ। মমা-মপানসু লাইরিক পাজগদবা মচাশিংদু পাখোন-ইখোন য়াম্না শীবি। তৌদবা য়াদবনিনা মদু তৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইনৈ। মতম-মতমগী থবক ইনখাংসি ওখাক কান্নে, চীংয়া-তময়াদা লৈবা কাঙবুনা, কুম অমগী শীং য়ানবা চৎনবনা কোঙ্গাই অমা, য়োন্নবা য়ানবসু য়াওরিবনি। লৌবুক লমন্মাংদা ষস্থি খুনবা, চরুখোক ফান্দুনা ময়ূমদা পৈদুনা থম্বা, মদুনা নোংজু পম্থাদা মৈ থাদুনা চাক থোংনৈ। হৌজিক্কানগী গ্যাস কাইদুদি ঙরাংতগী ৱানি। চাকশঙদা চাক থোংবদা ষস্থি মৈখু খুদবা, চরুখোক মৈ য়াঙদবা কনাসু লৈনদে। কনাগুম্বশিংনগা চাক থোংলবদি খরা ষ্টেন্দর্দ লৈবা ওইনা চিংনরম্মীবনি। অদুগুম্বা মৈখু মরক্তুদনি ফমুংদা ফম্মগা লাইরিক পানরম্বদু, কনাগুম্বনা অমনবা মখোঙ ইপৈ-পৈবা টেবল মচা অমনে, চৌক্রি অমনেগা থল্লগা লাইরিক পারবদি খরা চাওখৎপা ইমুং চিংনরম্মীবনি। হৌজিক্কানগদি কয়াদা খেন্নরবনো?

অদুনা মতমদুদা মেট্রিক পাস তৌনবা হোৎনবদা ফি মাংই হায়দু হেক য়ৌই। য়াম্না নুংঙাইরিবদি মেট্রিক পাস তৌবা মীসি কলেজা য়াম্না তৌনরে। *“ঐদি মেট্রিক পাস তৌরবনি”* হায়বা নাপল অমগা লোয়ননা নুপী মশক ফজবা কোয়বসু ফংনৈ। খঙদে মফম খুদিংদা মেট্রিক পাস তৌবা হায়বসি ইচন্দা চন্নৈ। *মাদি মেট্রিক পাস তৌরবনি* হায়দুনা বেবহার অমসু তৌনবদৌনা তৌই। মতমদুদা প্রাইভেট স্কুল হায়বা অমা লৈরমদে। গভর্ণমেন্টকী স্কুল ঙাক্তনি। মতমদুদা য়াম্না ফখিবা, মমিং চৎপা স্কুল খরা লৈখি। লোইনমক্কী মমিং হায়বদি ঙল্লোই মরমদি মণিপুর পাক চাউবনিনা লোইনা খঙবা ঙমদে। লম-লমগী ওইনা লৈরম্বা হায় স্কুল খুদিংমকশিং অসি মমিং খরা খরা অদুম চৎখি - খুদম ওইনা হায়রবদা - নম্বোল হায় স্কুল, ওইনাম হায় স্কুল, চাওয়াইমা হায় স্কুল থৌবাল, ককচীং হায় স্কুল, রাম লাল পোল হায় স্কুল, জেনষ্টোন হায় স্কুল, সী সী হায় স্কুল, আর দি এস হায় স্কুল, টি জি হায় স্কুল, আইদিএল গর্লস হায় স্কুল অসিনচিংবা। হায়রিবা স্কুলশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা স্কুল খরা অসিদি শাথীনা মমিং চৎলি। মসিদগী অয়াম্বা মণিপুরগী মেট্রিক টোপ্পরশিং অসি থোরকই। মতাইদা লৈবশিংসু য়াওদবদি নত্তে। অদুবু ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা স্কুলশিং অসিদগীনা মশীং খরা হেন্না য়াওবদৌনা তৌখিব্রা খল্লি। মতমদুদা ট্যুসন তৌবা হায়বসিমা লৈরমদে। তৌবদি তৌই। মদু হৌজিক্কী অসিগা খেন্নে। ঐখোয়গী মতমদুদা - কালেন ছুটিগুম্বা মতমদা লৈকায়গী ক্লবতা ক্লবকী সেনিয়র মেম্বরশিংনা শীন্দুনা লৈকায়দুদা লৈবা মহে-মশীন খরা হৈবা কাঙবুশিংনা মখা থাবশিংবু সবজেক্ট সবজেক্ট খাইদোক্তুনা ক্লবতা লাইরিক তম্বীবা অমা তৌই। মদু থা অমগী ৱানি, ছুটি মনুংগীনি। অদুদগীদি অদুম তৌদ্রে। অদুগা স্কুলদনা থৱায় য়াওবা মহৈরোয়শিংগীদমক স্কুলগী মতম লোইরগা ক্লাস অমগুম্বা ওজাশিংনা অখন্নবা ক্লাস (স্পেসল ক্লাস) লৌদুনা তাকপী। ফ্রীদনি শেল লৌবা নত্তে। মতমদুগী ওজাশিং য়াম্না কত্থোকপা হে। লাইরিক তাকপীবদা শেল লৌবগী চৎনবী লৈরমদে। ওজাশিং য়াম্না পুকচেল চাউই। মহৈরোয়শিংবু মচা মনাওদৌনা লাইরিক য়াম্না হৈহন্নীংই। অদুনা শাউগনবা, চৈগনবা, ফ্গনবা ওজা য়াম্না খাইদোকই মহৈরোয়শিংনা, খরা চৈগন-ফ্গনবা ওজাগী সবজেক্টতি খরা হেন্না পাই। খুদম ওইনা ওজা বসন্তনা হয়েং ময়াম মমাঙদা না লৈদৌ শরুক পড়াসিমতা ফাহৌগে হায়না নুংথিল থবক ফনা য়াম্না তৌরুরসু, অহিং তূমদনা, পোদোন অমা থাল্লগা লাইরিক পানবা য়াম্না য়াওই। কয়াদা নুংশিথ্রবা মতমদুগী মহে খুতমনো?

হৌজিক্তি য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্তি ট্যুসন তৌদবা মহৈরোয়শিং পরিক্ষা ঙম্বগী চাং শাথীনা হন্থরে। ট্যুসন চৎপা মহৈরোয়শিংনা পাস তৌবগী চাং হেল্লে। মমা-মপাশিংনসু মচা মহে তমহনবসি স্কুলগীদি থোইনা খন্নদ্রে। ট্যুসন তৌবগী ওইনা খন্নরে। কদায়দা করম্বা সবজেক্টকী অফবা ওজা লৈবগে, ট্যুসন মী মশীং য়াম্না তৌবা কদোমদা লৈবগে হায়বা ৱাসিদা খন্নদুনা লাপ্না-লাপ্না অহিং পুং ৩দগী হৌগৎলগা মচাশিংবু গাড়ী মনুংদা, মখোঙ অনী পানবা গাড়ী ওইরগনা মনিংদা হাপ্তুনা পুরগা কোয়থিন থিন্নরে। ট্যুসন তৌবা লাক্লিবা মমা-মপাশিংনা মচাশিং ট্যুসন তৌবা চঙখ্রগা মখোয় মশেল ৱারী শানবা, ৱাকিং চৎপা, কাঙলূপ-কাঙলূপ, অনৌ-অনৌবা মরুপ-মপাং থেংনদুনা ফোন নম্বরগা লৌনদুনা, ৱাটসএপ গ্রুপকা শেমদুনা য়াম্না নুংঙাইনা মতম লেন্নরি। মবুক-মবুক্তদি মাগী মচাদগী ঐগী ইচানা হেন্দবা য়াদে হায়দুনা ট্যুসন মশীং অমতা ওইরসু হেন্নবা কন্না হোৎনবা থেংনৈ। মচাশিংনা ক্লাস নাইন/টেনগা য়ৌরকপা, এলেভেন/টুয়েল্বকা তম্বা কাঙবুসিদি/অঙাংদুদি লায়রদনা মমা-মপা ওইবশিংগী মমায়-মমায়গদু য়েংবা ঙম্বা নত্তে। মশাদু তাইফেৎ তাইরদনা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা মীনা উইরুম-উইরুম তৌদুনা লৈবা মানবগাসু য়াম্না য়াওরি। মখোয় য়াওনা চারম-থক্লম খঙদখৈ মচা ট্যুসন থিনবা চৎপদা শাথীনা মশা শোকচিল্লিবনি। মচাশিংসু অদু মঙাই, ব্রেন বেরা তৌরকপা, পূক্লিং ৱাখলগী অনাবগসু য়াম্না য়াওনরপোৎনি। মোই-মোইনদি খঙদবা লায়না কয়া অমনা মচা-মচাদা নারক্লিবা অদু কনানসু খঙনদে।

শাথীখ্রবা কোভিদ-১৯ মরকসিদা কুমসিগী ওইনা মেট্রিক পরিক্ষা হায়দোকখ্রে। তাফম থোকপা মকোক মথংশিং তানদুনা মিদিয়ানা উনদুনা মখোয়-মখোয়না পাম্বশিং মীয়ামদা পাউদমখ্রে। কনা অমনা ডোক্তর ওইনীংই কনা অমনা আই এ এস ওইনীংই হায়বা য়াওদুনা পূক্লিংগী অপাম্বা কয়া অদু মীয়ামদা পাউদমখ্রে। নুংঙাই তাবদা। আই এ এস ওইনীংই গাইনা হায়রক্লিবা ইচাশিং অদুদি তশেংনা থাগৎনীংই। তশেংনমকসু অচৌবা চেলেঞ্জ অমনি। মণিপুরদা অসিগুম্বা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিসকী চাংদা অসি মণিপুরদা য়াম্না নেম্মী। মখোয়ননি মণিপুরগী অনৌবা চাওখৎলোন অমা পুরক্কদৌরিবা, হৌজিক্তি ঐখোয় মপানগী মীশিংগী ৱাখলগী মরুম থুপ্তুনা মণিপুরনা চাওখৎ খোঙথাং থাংলি হায়বা তাই। মসিদা নৌরিবা ইচাশিং খরনা আই এ এস ওইবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়বগসিদি পূক্লিং থৌগৎচরি। ডোক্তরসু কায়দে। অনাবা য়েংগদৌরিনি। অদুবু ডোক্তরগুম্বসিদি খরা লাইরপ তাই। আই এ এসতি ফনা কন্না হোৎনরসু শোয়দনা ফংগনি হায়বগী ৱাদি লৈতে। অদুনা মখোয়গী অচৌবা চেলেঞ্জ অদুগীদমক খূবাক খুদুনা পূক্লিং থৌগৎচগে। মায় পাকপা ওইসনু।

হন্দক্কী মেট্রিক এগজামদা মায় পাক্লবা মহৈরোয় পূম্নমকপু থাগৎচরি। মখা তানা কন্না হোৎনদুনা মখোয়-মখোয়না ফংলিবা পোজিসনশিং অদু লেংদনা থম্বা ঙম্নবা কন্না হোৎনসনু। অদুগা খরা নেল্লপ লৈরিবা পোজিসন হোলদরশিংনসু কন্না হোৎনদুনা টুয়েল্ব এগজামদা হেন্না অফবা পোজিসন ফংলকপা ওইসনু। পূম্নমক তাইবঙ মপুনা থৌজানবীবা ওইরসনু। ●

চাইনাগী লেবতা সর্স-কোভ-২ শেমগৎখিবা নত্তে

(ইভোলুসনগী থৌওংনা ওইহল্লকখিবনি হায়রি)

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

খৃষ্টিয়ন এন্দর্সন

কুমজা ২০১৯গী লোইশিল্লকপদা চাইনাগী ৱুহান্দগী শন্দোরক্তুনা পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি চাইনাগী ৱুহান ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিগী লেবতা বাইওএঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা শেমগৎলকখিবনি হায়না য়ু এস এ অমসুং ৱাখল মান্নবা লৈবাক খরনা চাইনাদা কন্না মরাল শীখি। মসিদা চাইনাগী লেবশিংদা থবক তৌরম্মী হায়বা সাইন্টিষ্ট কয়াসু য়াওশিল্লকখি। ইন্দিয়াসু মসিগা মরী লৈননা সোসল মিদিয়াদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা ভিদিও কয়াসু থাদোক্লরকখি। মসিগী ৱাহৌদগী ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না চাইনাগী মীচংদা লৈ হায়বগীদমক য়ু এস এনা দব্লিয়ু ঐচ ওদা পীরম্বা শেলগী মতেং পীররোই হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা লাউথোরকখি। মসিমক ওইদুনসু অশেংবা লিখুন খঙবা পামখিবা কয়ানা সর্স-কোভ-২গী হৌরকফম থিরকখি। ‘দ লান্সেট’ (ফেব্রুৱারী ১৮, ২০২০) তা ফোঙখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্নসু, মালেমগী থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা ভাইরস অসি মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা ওইরকখিবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মসিগী মতুং তারকপদা য়ু এস এগী স্ক্রিপ্স রিছার্স (হান্না স্ক্রিপ্স রিছার্স ইন্সটিট্যুট হায়না খঙনরম্বা) না কোরোনাভাইরস অসি মহৌশাগী ওইবা থৌওং, ‘ইভোলুসন’দগী ওইরকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে (‘নেচর মেদিসিন’, মার্চ ১৭, ২০২০)। মসিগী মরমদা পাউদম অসি মীয়ামদা থমজরি।

স্ক্রিপ্স রিছার্সকী খৃষ্টিয়ন এন্দর্সননা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, সর্স-কোভ-২ অমসুং মসিগা মরী লৈনরিবা জেনোম সেক্বেন্স দেটানা তাক্লিবদি সর্স-কোভ-২ অসি লেবতা নৎত্রগা বাইওএঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা শেমগৎখিবা নত্তে; মসি মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা ওইরকখিবা ষ্ট্রেইন অমনি হায়রি। কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা হেক হৌরকখিবগা য়াম্না থুনা চাইনাগী সাইন্টিষ্টশিংনা সর্স-কোভ-২গী জেনোম সেক্বেন্স তৌরগা মালেমগী থিজিন লূপশিংদা থাদোরকখিবা দেটাদু শীজিন্নরগা থিজিলোয়শিং অসিনা ভাইরস অসিগী খোঙ্গুল লিরকখিবনি। সাইন্টিষ্টশিং অদুনা ভাইরস অদুনা মীওইবা অমসুং শাগী সেলশিংগী মপান থংবা ৱালদা ফাউজিল্লক্তুনা চঙলকপা ঙমহল্লিবা স্পাইক প্রোটিন অমসুং অরমেচরশিংগী জীনেটিক টেমপ্লেটপু নৈনখি। মখোয়না মপূং ওইনা স্পাইক প্রোটিনগী মরুওইবা শক্তম অনীদা মীৎয়েং থমখি : সেলশিংবু ফাজিনবা ঙম্বা কোৎচি মখল অমা ওইরিবা, রিসেপ্টর বাইন্দিং দোমেইন (আর বি দি) অমসুং সেলশিংগী ৱালবু থদৎতুনা শেল মনুংদা চঙবা ঙমহল্লিবা মফম।

ফেরেট

থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা থেংনরকখিবদি সর্স-কোভ-২ স্পাইক প্রোটিনশিংগী আর বি দিগী শরুক অদুনা ব্লদ প্রেসর চাং চানা থম্বদা শরুক য়ারিবা রিসেপ্টর এ সী ঈ ২ কৌবা মীওইবগী সেলশিংগী মপান্দা কন্না লান্দাশিল্লি। সর্স-কোভ-২ স্পাইক প্রোটিনশিংনা মীওইবগী সেলশিংদা অসুক্কী মতিক কন্না ফাজিল্লি মদুদি, মসিনা সর্স-কোভ-২ অসি নেচরেল সেলেক্সনগী মহয় অমনি অদুবু জীনেটিক এঞ্জিনিয়রিংনা শেমগৎলকপা নত্তে হায়বসি খঙবা ঙম্মী হায়না থিজিনখিবা সাইন্টিষ্টশিংনা ৱারোইশিন পীরি। মসি নেচরেল সেলেক্সনমক্লি হায়বসু সর্স-কোভ-২গী য়াংলেন শরূ ওইরিবা, হায়বদি মসিগী মোলিক্যুলর ষ্ট্রকচর পূম্নমক্তা ফংলিবা দেটানা তাকই হায়রি। কনাগুম্বা অমনা এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা কোরোনাভাইরস অমবু মহিক ওইনা শেমগৎপা তারবদি, লায়না পোকহল্লিবা ভাইরসতুগী য়াংলেন শরূদুদগী শেমগৎকদবনি। অদুবু সাইন্টিষ্টশিংদুনা থেংনখিবদি সর্স-কোভ-২গী য়াংলেন শরূ ওইরিবদুগা হৌজিক ফাওবদা মশক খঙলবা কোরোনাভাইরসশিংগীগা য়াম্না খেন্নখ্রে অদুগা শেকপি অমসুং শাফুদা ফংলিবা ভাইরসশিংগদি য়াম্না মান্নে। ভাইরসসিগী অসিগুম্বা শক্তম অমনি, হায়বদি স্পাইক প্রোটিনগী আর বি দিদা থোকখিবা ম্যুটেসনশিং অমসুং মসিগী ময়েক শেংলবা য়াংলেন শরূ ওইরিবসিনা লেবতা সর্স-কোভ-২ শেমখিবা নত্তে হায়বসি তাক্লে হায়না এন্দর্সননা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা ভাইরস অসি মীনা অতম্নবা শেমখিবা নত্তে হায়রবনিনা মসিগী হৌরকফমসি করি ওইরম্বা য়াবগে হায়বগী মতাংদা থিজিনখিবদনা, ওইথোকপা য়াবা মচাক অনীখক ফংখি। অহানবদা, ভাইরস অসি নেচরেল সেলেক্সনগী মতেংনা মী নত্তবা জীব অমদা হৌজিক ওইরিবা মহিক্কী ফীভমসি ওইরকখিবা অদুগা মসিনা মীদা চোংশিল্লকখিবা ওইরম্বা য়াই। অসুম্না মমাঙদা থোকখিবা ভাইরসকী লাইচৎশিং, খুদম ওইনা সিভেট (খৈরোই হায়ফেৎ মানবা শা মখল অমা) তগী সর্স (২০০৩গী সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম) অদুগা উটতগী মর্স (২০১২গী মিদল ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম) মীওইবদা শন্দোকখি। সর্স-কোভ-২সি শেকপীদা য়াওবা ভাইরসশিংগা য়াম্না মান্নে, অদুবু শেকপীদগী মীওইবদা হকথেংননা শন্দোরকখিবা ওইরম্লোই হায়না থিজিল্লোইশিংনা থাজরি। ভাইরস অসিনা মীদা লাইচৎ ওইহল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা, শেকপী অমসুং মীগী মরক্তা অতোপ্পা শা অমদা লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না থিজিল্লোয়শিংনা চিংনরি।

অনীশুবা হৌরকফম ওইরম্বা য়ারিবা অসিদনা, লায়না পোকহনবা ঙমদবা ভাইরসকী ষ্ট্রেইন (মহিক্কী মগুন চেন্দ্রিবা) অমনা শাশিংদগী মীদা চঙলকখিবা, অদুগা মীওইবগী হকচাং মনুংদা লায়না পোকহনবা ঙম্বগী ফীভম অসি ওইরকখিরম্বসু য়াই। খুদম ওইনা, এসিয়া অমসুং অফ্রিকাদা ফংলিবা শাফু, অরমাদিলোগুম্বা মমলশিংদগী ফংবা কোরোনাভাইরস খরগা সর্স-কোভ-২গী আর বি দি ষ্ট্রকচরগা য়াম্না মান্নে। শাফুদগী কোরোনাভাইরস অমা হকথেংননা নৎত্রগা সিভেট নৎত্রগা ফেরিটকুম্বা শা অমদা চঙলুরবা মতুংদা অমুক মীওইবদা শন্দোরকখিবা ওইরম্বসু য়াই।

অরমাদিলো

হৌজিক্কী লৈরিবা ফীভম অসিদদি করম্না কোরোনাভাইরস অসি মীওইবদা চঙলকখিবগে হায়বগী মতাংদা তাংদাংবা অমদি খঙদ্রি। অদুবু সর্স-কোভ-২ অসিনা লায়না পোকহনবা ঙম্বগী মওং অসিদা হকথেংননা শা অমদগী মীওইবদা চঙলকখিবা ওইরম্বা তারবদি, লাইচৎ অসি অমুক হন্না মীওইবদা শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপা ৱাংনা লৈ হায়না থিজিনখিবা অসিগী থিজিন-চেরোল ইবদা শরুক য়াখিবা এন্দ্রিউ রাম্বাউটনা চেকশিন ৱা অমা থম্লক্লি। মসিগী মরমদি ভাইরসশিং অদু হৌজিকসু অদুগুম্বা শাশিংদুগী ঈগী ঈচেলদা য়াওদুনা লৈরিবনি, অদুগা মখোয়শিংদু অমুক মীওইবদা চঙলক্তুনা নাহল্লবা য়ারি। অদুবু মহীক্কী মগুন চেন্দ্রিবা ভাইরস অমনা মীদা চঙলক্লবা মতুংদা, ইভোলুসনগী মতেংনা ভাইরসতুনা মীদা লায়না পোকহনবা ঙম্বগী থাক অসি য়ৌরকখিবা ওইরম্বা তারবদি, লাইচৎ অসি অমুক হন্না শন্দোরকপগী চাং নেম্না লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।